HUEIYEN LANPAO

## মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০১৮ গী এক্সটর্নেল/সপ্লিমেন্টরি কেন্দিদেটশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী ফোর্ম সবমিসন তৌবগী মতম থা অসিগী ১০ ফাওবা শাংদোক্লে। মীয়ামগী য়েংদুনা কেটগোরি খূদিংমক্কী কেন্দিদেট অমদা লুপা ৫০০গী ফাইনগা লোয়ননা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি হায়না বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী কন্ট্রোল্লর এফ এগজামিসেন এল ফুলচান্দ মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ম্যুজিক এগজামিনেসন

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): ভাটখন্দে সঙ্গিট বিদ্যাপিঠ, লক্ষ্ণৌগী মখাদা শ্রী শ্রী বাল মুকুন্দ দেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফাল সেন্টরদা পাঙথোক্কদবা প্রথমা, মধ্যমা, বিশারদ পার্ট-১ অমসুং বিশারদ পার্ট-২গী প্রেক্টিকেল এগজামিনেসন জান্যুৱারী ৫ দগী হৌরগনি। মহৈরোয়শিংনা অকুপ্পা মরোল কোলেজ অসিদগী খঙবা য়াগনি হায়না শ্রী শ্রী বাল মুকুন্দ দেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ পেলেস কম্পাউন্দ ইম্ফাল সেন্টরগী প্রিন্সিপাল এল দেবেন্দ্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিশ এদিসনগী এদিটর হিজম রাজেশকী অপোকপা ঐচ অচৌ অমসুং এসিষ্টেন্ট ন্যুজ এদিটর দি দি কে ইম্ফালগী সী ঐচ বিরেন্দ্রগী অপোকপা সী ঐচ মাইপাকনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এল ভি অধিকারি অমসুং মণিপুর গোর্খা ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি শিব কুমার বস্নেট অনীনা পূন্না থোকপা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমনা হায়রি।

## দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং পায়রোই

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): ইন্দো-বর্মা-সুগ্নু রোদ বস ওনরস ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং অমদি চান্দেল বস ওনরস এসোসিএসনগা পূন্না ফম্মিন্নদুনা ঙসি চান্দেলদা এম এস টি বস সার্ভিস লৈরকপা অসিনা লম্বী অসিদা সার্ভিস তৌরিবা বস ৩৪গা হিদান্নবগী মওংদা লাকপা অসিনা খূদোংথীনিংঙাই ওইরে। মরম অসিনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা পোজিটিব রেস্পোন্স লাক্কুবদি থা অসিগী ৯ দগী য়ুনিয়ন অসিগী বসশিংগী দ্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং পায়ররোই অমদি চান্দেল বস ওনরস এসোসিএসনগী ওইনদি মখা তাবা অকনবা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## লম্বী ফীভম শোক্লে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): লংথবাল এসেম্বলি কন্সটিট্যু-য়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা হৈরাঙ্গোইথোংদগীনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি গেট তারিবা লম্বী অমদি শিংজমৈ চীংঙামখাদগীনা লিৱা লম্বী অমদি কেথোলিক স্কুল তারিবা লম্বী অসি হৌজিক ফীভম য়াম্না ফত্ত্রে। মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা অথুবা মতমদা ফীভম শোক্লবা লম্বী অসি শেমজিনবীনবা লৈকায়গী মীওইশিংনা প্রেসকী খূথাংদা ফোঙদোরক্লি।

# দিপার্টমেন্ট অহুমগী স্কিম / প্রোজেক্টশিংগী কান্নবা মীয়ামদা ফংহন্দ্রে : য়ু এম এ পি ও

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ মীতৈ এন্দ পাঙল ওর্গনাইজেসন (য়ু এম এ পি ও) মণিপুরনা মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অহুমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ জেমস মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা লৈত-লায়রা মীওইশিংদা স্কিম প্রোজেক্টশিং মীওই খূদিংমক্তা চাকথুং ফংহন্দ্রে হায়রিবশিং অদুদি, কন্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্ট-মেন্ট, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমসুং সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্ট অহুম অসিদা লৈরিবা স্কিম অমসুং প্রোজেক্টশিংগী কান্নবশিং অসি ফংহন্দ্রে হায়বসি য়ু এম এ পি ওনা দিপার্টমেন্ট অহুম অসিদা মীৎয়েং চঙলুবদগী খঙবা ঙমখি।

মীয়ামগী চাকথুং ওইরিবা স্কিম প্রোজেক্টশিং ফংহন্দনা থমজিনবনা ঙসিদি লায়রবা মীওই কয়া অৱাবা নংলে হায়বসি পূম্নমক্না খঙলে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরশিংনা অথুবা মতমদা মীয়ামদা স্কিম প্রোজেক্টশিংগী কান্নবা ফংহল্লু। মসিনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়না য়ু এম এ পি ওগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফমনা লৈঙাক্তা তকশিল্লক্লি।

লমদম অমা চাউখৎপগী মমি তাহনবা হায়বসি লৈত-লায়রবা, নোংমগী চরা তাল্লিবশিং অসি মশীং য়াম্না হন্থনা থল্লবা মতমদা লমদম অসিদা চাউখৎপগী মমি তাবা ঙমগনি হায়বসি লৈঙাক্না অহানবদা খঙজিনবীয়ু হায়রি। স্কিম প্রোজেক্ট অমা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা মীওইশিংনা তানবদা দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর নৎত্রগা ওফিসর অমনা অয়েৎ-অপনবা পীরিবসি শেঞ্জা-থুমজা তৌবগী অচৌবা থৌওং অমনি। লোয়ননা দিপার্টমেন্ট পূম্নমক্তা অমদি সেক্রেটরিয়েটতা মণিপুর লৈঙাক্না কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা পুং ২৪ দগী হেন্না ফাইল অমদি মরী লৈনবা চে-চাংশিং ফাজিনবা য়ারোই হায়না কেবিনেটতা ৱারেপ লৌখ্রবসু লাইবক থীবদি ৱারেপ অদু দিপার্ট-মেন্টকী ওফিসরশিংনা করিমত্তা থৌওইদনা তৌনিং-তৌনিংবা তৌরগা লৈরিবসি মণিপুর লৈঙাক্না অথুবদা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই হায়রি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টরশিংনা মশা-মশাগী দিপার্টমেন্টশিংদা খম থেংনা অমোৎপা থৌওংশিং মতম শাংনা চথুরকপগুম্না তৌরিবা অসি মীয়ামগী ওইবা মীটিং পাঙথোকপা মতমদনা মীয়ামগী থবক তৌরি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি অরানবা মওংনি হায়না ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্বা অমোৎপা থৌওং কয়া অসিনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংনা খূদোংচাবা লৌরগা করপসন ৱাংনা তৌবগী অচৌবা থৌওংনা পীক থল্লে হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্না খঙজিনবীদুনা মরী লৈনবশিংদা মতম চানা এক্সন লৌখৎতুনা চৈরাক ফংহনবা মতম ওইরে। নৎত্রবদি মণিপুরদা লৈরিবা লৈত-লায়রবা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওই সেক্সন পূম্নমক্তা খম থেংনা লৈখা তাদুনা মতম শাংনা লৈহৌরগনি হায়রি।

মীয়ামগী চাকথুং পুথোক্তনা করি করম্বা চাউখৎ থৌরাং পায়খৎক-দৌরিবগে হায়বসি ৱাহং ওইরি। মীয়ামগী চাকথুং পীথোক্তনা থমজিল্লগা করিগুম্বা হীরম অমফাওবদা চাউখৎপগী মমি তাবা ওইথোক্লোই। মীয়ামদা হায়দোকখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্ত্রবদি লৈঙাক অসি ফেল ওইরে হায়বদু মীয়ামদা তাকথোকচবনি। লৈঙাক অমা লৈনা-লৈনা মীয়ামগী চাকথুং মৎপা হায়বসি মীওইবগী লিচৎ নত্তে হায়না লূপ অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফমনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# নুমিৎ নীনি চথুরকপা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স লোয়শিনখ্রে




ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): ফেদরেসন ওফ গভর্ণমেন্ট কোলেজ টিচর এসোসিএসন মণিপুর (ফেগোক্তা)গা দি এম কোলেজ ওফ আর্টস, জি পি ৱিমেন কোলেজ ইম্ফাল অমসুং ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি) ইম্ফালগা পূন্না শীন্দুনা ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স লোয়শিনবগী থৌরম হৌখিবা দিসেম্বর ৩০ দা পাঙথোকখ্রে।

সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট এন্দ নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ইন দি গ্লোবেলাইজ ইরা হায়বা হীরম অসিদা হৌখিবা দিসেম্বর ২৯ দগী হৌখিবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স লোয়শিনবগী থৌরমদা প্রো. এম প্রেমজিৎ ভাইস চাঞ্চেল্লর সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিনা চীফ গেষ্ট, ফেগোক্তাগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট এল রন্ধোনী অমসুং ডো. এ পিশক, প্রসিদেন্ট ফেগোক্তা অমদি ডো. বি লালহরি, প্রিন্সিপাল জি পি ৱিমেন কোলেজনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি। ডো. সী ঐচ সিলারমনিনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট অমদি ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অদুগী চ্যেরপার্সন ওইখি।

থৌরম অদুগী অহৌবদা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অসিগী কনভিনর ডো. এন সোমোরেন্দ্রোনা ৱাহৌদোক পীখি অমসুং প্রো. সচি নান্দৈবম, য়ুনিভর্সিটি ওফ বাথ, য়ু কেনা কি-নোট স্পিছ পীখি। প্লিনরি সেসনদা প্রো. এন মহেন্দ্রোনা চ্যের লৌখি অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রো. অমর য়ুম্নাম, ম্যান্মারগী লুইন উ, য়ুনিভর্সিটি ওফ বাথকী ডো. ও সীনি লুসি অমসুং রোয়ল য়ুনিভর্সিটি ওফ ভুটানগী ডো. দোর্জি থিনলেনা স্পিকরশিং ওইখি। ১৯শুবা একাদেমিক সেসনগী মঙাশুবা পেরলেল সেসন ইম্ফাল হোটেল অমসুং দি এম কোলেজ ওফ আর্টসতা ইকনমি, ইনভাইরোনমেন্ট, বাইও রিছোর্সেস, এদ্যুকেসন, হেল্থ, জেন্দর, পিছ, ট্রেদিসনেল নোলেজ সিষ্টেম এন্দ কঞ্জার্ভেসন, সষ্টেনেবল প্রেক্টিসেস, জষ্টিশ এন্দ ইনক্লুসিব সোসাইটি হায়বনচিংবা থিম অসিদা পাঙথোকখি।

কনফরেন্স অদুদা ইনভাইটেদ টোপশিং মীওই ১০ না পীখি। মদুগী মনুংদা ৮ অমনা অতোপ্পা লৈবাক্তগীনি। একাদেমিক সেসনশিংদা প্রো. এন রাজমোহোন, প্রো. এম অক্ষয় কুমার, প্রো. অশাগুপ্ত, প্রো. সী ঐচ ইবোহল, প্রো. সী ঐচ প্রিয়োরঞ্জন, প্রো. এস মঙ্গি, প্রো. অঞ্জান চক্রবর্তি, প্রো. মৃনাল গুপ্ত, ডো. দোলি ফুকন, ডো. এস মংলেম্বী, ডো. এস গীরি, ডো. ঈ যাদুমনি, ডো. আর কে রাধাকিশ্বর অমসুং ডো. আর কে সংসারিনচিংবনা চ্যের লৌখি হায়রি।

# জে এন এম দি এগী আর্টিষ্টশিংনা প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ) ইম্ফালগী আর্টিষ্টশিং অমসুং মহৈরোয়শিংনা মমাং চহীগী দিসেম্বর অমসুং জান্যুৱারীগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়াদা শরুক য়াখ্রে হায়রি।

জে এন এম দি এগী এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, জে এন এম দি এগী এল গেমেশ্বর অমসুং এ রাধাপিয়ারীনা লুচিংবা মীওই ১২ না শাবা টিম অমনা হৌখিবা দিসেম্বর ১৪ দগী ১৮ ফাওবা কোলকাটাগী সোনারপুরদা পাঙথোকখিবা ও-ভারত মেলা ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াখি। ফেষ্টিবেল অদুদা একাদেমি অসিগী আর্টিষ্টশিংনা থৌগল জগোই, কংলৈ থোকপা, থাবল চোংবা, চকপা হরাওবা অমসুং মাইবী জগোইনচিংবা লাই হরাওবগী তোঙান-তোঙানবা মওংগী জগোইশিং খূদোল তমখি। প্রোগ্রাম অদু ন্যু দিল্লিগী সঙ্গিট নাটক একাদেমিনা স্পোন্সর তৌবনি।

হৌখিবা দিসেম্বর ২৪ দগী ২৫ ফাওবা ছটিশগরগী রাইপুরদা পাঙথোকখিবা রাষ্ট্রিয়া নৃত্য সমারোদা এন জি রঞ্জিৎ অমসুং সী ঐচ নবচন্দ্রনা লুচিংবা মীওই ১৮ না শাবা কলচরেল ট্রুপ অমনা লাই হরাওবা, ধোল চোলোম, পুঙ চোলোম অমসুং থাঙ-তা খূদোল তমখি। প্রোগ্রাম অদুসু সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিনা স্পোন্সর তৌবনি।

জে এন দান্স একাদেমি ইম্ফালনা শীন্দুনা হৌখিবা দিসেম্বর ২০ দগী জান্যুৱারী ৩ ফাওবা নুমিৎ ১৫ নিগী ওইবা মণিপুরী নট সংকির্তনগী ৱার্কশোপ অমা ত্রিপুরাগা পূন্না শীন্দুনা খোৱাইগী গৌরনগর য়ূঠ ক্লবতা পাঙথোকখি। ৱার্কশোপ অদু জে এন এম দি এগী পুঙগী গুরু এন শ্যামচান্দ, পুঙগী গুরু থম্বালঙৌ অমসুং ঈশৈগী গুরু এল বির্জিৎনা সুপরভাইজর ওইদুনা পাঙথোকখি।

ৱার্কশোপ অদু লোয়শিনবগী থৌরম হয়েং মফম অদুদা পাঙথোক্কনি অমদি জে এন এম দি এগী দিরেক্টর এল উপেন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট ওইগনি। হৌখিবা চহী ৪/৫ রোম অসি একাদেমি অসিনা শীন্দুনা হোজাই, কছার, অগরটালা অমসুং হাইলাকান্দিনচিংবা মফমশিংদা নট সংকির্তনগী ৱার্কশোপ কয়া পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থা অসিগী ৪ দগী ১১ ফাওবা ন্যু দিল্লিগী কঠক কেন্দ্রদা কঠক কেন্দ্র ন্যু দিল্লি অমসুং জে এন এম দি এ ইম্ফাল অনীগী মরক্তা পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং এক্সচেঞ্জ প্রোগ্রাম য়াওরুনবগীদমক জে এন এম দি এগী পি ধনজিৎ অমসুং নলিনীনা লুচিংবা মেম্বর ১৭ না শাবা ট্রুপ অমা থা অসিগী ৪ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি। থা অসিগী ১০ অমসুং ১১ দা ন্যু দিল্লিগী কঠক কেন্দ্রদা মণিপুর দান্স অমসুং ম্যুজিক্কী ওইবা নুমিৎ নীনিগী ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী দান্স অমসুং ম্যুজিক উৎকনি। থা অসিগী ১৪ দগী ১৭ ফাওবা ওরিষাগী কসেঙাদা পাঙথোক্কদবা ২২ শুবা কালাহান্দি উটসব গুমুরা ২০১৭ শরুক য়ারুনবা জে এন এম দি এগী আর কে নবিন্দ্রনা লুচিংবা মীওই ১৪ না শাবা ট্রুপ অমা থা অসিগী ১২ দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি। উটসব অসি সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিনা স্পোন্সর তৌরগা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ওফ কলচর কালাহান্দি, ওরিষানা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবনি। জে এন এম দি এগী আর্টিষ্টশিংনা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৫ দা লাই হরাওবা, পুঙ চোলোম, ধোল চোলোম, মাও দান্স অমসুং কবুই দান্সনচিংবা খূদোল তম্লগনি হায়রি।

# ‘সেঞ্জম চিরাংগী ৱাথোক অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকপীয়ু’

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না মীতৈশিংগী নাৎ, লাইনিং-লাইশোল, চৎনরোল, চীং, পাৎ-তুরেল, অরিবা খূভম, লাইফম-তিনফম অমদি মীতৈগী ইনাৎকা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমদি মীতৈগী য়ুমনাক শাগৈগী মিংদা লৈবা উমং লাইগী লাইশোলশিংবু য়োকখৎনবা, কলহৌনবগীদমক ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

সিকোগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থাংজম ইঙোচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সিকোনা মীতৈগীদমক্তা লেপ্লি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা মীতৈগী ফীভমদি মাংদসু তেন, তুংদসু লাং ওইরিবা ফুরুপনি। মসি হৌজিক-হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা মীতৈ এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংনা খঙফম থোকই। মীতৈ ইপা-ইপূনা থম্বীরম্বা লম অমত্তা মীতৈ নৎতবা অতোপ্পা ফুরুপনা চঙশিল্লক্তুনা লৌবা, মূনবা অমদি খোপচিনবা য়ারোই। থৌওং অদুদা মীতৈনা কোক নোনগদবা নত্তে। মরম অদুদা মমাংঙৈদা মীতৈ ইপা-ইপূনা থম্বীরম্বা লম মচেৎ অমা ফাওবা মাঙবা য়ারোই। হীরম অসিদা সিকোনা অকনবা মীৎয়েং চঙগনি। লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা ফুরুপপু হরাওনবা অমসুং পেন্নবা হোৎনবদা মীতৈ ইপা-ইপূনা থম্বীরম্বা লম মচেৎ অমা মাঙলক্লবদি সিকোনা মীতৈ ওইরিবা মীয়ামগা পূন্না হনবা লৈতনা থেংনমিন্নবা তাবনি।

কংলৈ মীতৈ মীয়াম্না মীনুংশি চাওরিঙৈ অমদি তুংগী য়েংদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা ফুরুপ্না হেন্না খূদোংচাবা লৌশিল্লকপদগী হেন্দোরক্তুনা মীতৈগী মথক কাখৎলকপা অসি ঙসিদি মীতৈ ওইরিবা মীয়াম্না অমুক্তং তুংগী মীরোলগীদমক ৱাখল তাবা মথৌ তাই। মদু নৎত্রগদি মীতৈ ইপা-ইপূনা থম্বীরম্বা লম কয়া নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লকখিগনি। অসুম্না মাঙশিল্লকপনা তুংদা মীতৈ ঐখোয়গী লৈফম কদায়দনো, কদায়দা লৈরুগদৌরিবনো, মীতৈগী লম মাঙলক্লবা অদুদা ঐখোয় মীতৈনা অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তগা কম্প্রোমাইজ তৌফম থোক্তে। মীতৈগীদমক্তদি মীতৈ মীয়াম্না থেংনফম থোকপনি অমসুং মীতৈনা খোঙফম হন্দোকফম থোক্তে হায়রি।

মীতৈ ইপা-ইপূনা থম্বীরম্বা লমদি হান্নগুম অদুম লেংদনা লৈফম থোকই। লমদম অসিদা পূন্না নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নসি হায়রগদি ফুরুপ অমনা অতোপ্পা ফুরুপ অমগী মশক খঙফম থোকই অমসুং অমনা-অমবু ইকায় খুম্নফম থোকই। মসিদা মীতৈ খক্তনা মীনুংশি পোল্লগা অতোপ্পনদি অরানবা মওংদা উরকপগী থৌওং তৌবীগনু। মীতৈগী খুলদা অতোপ্পা ফুরুপ্পা খূৎ থিংজিল্লকপা য়ারোই।

হৌজিক থোক্লিবা সেঞ্জম চিরাংগী লমগী ৱাথোক অসি হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংনা য়াম্না অথুবা মতমদা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ৱারোইশিন পুরকপীয়ু। ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রবদি সিকোনা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং অমদি থবক থৌরমশিং চথুরক্লগনি হায়রি। ৱাথোক অসি সেঞ্জম চিরাংগী মীতৈনা পুংচুম চুল্লবা ৱাফমনি। লম অসি মমাংঙৈ মণিপুর ষ্টেট দরবারনা সেঞ্জম চিরাংগী মীতৈগীদমক পীরম্লবা লমনি। সেঞ্জম চিরাং খুল অমদি মসিগী অকোয়বা শরুক ওইনা হৌজিক-হৌজিক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ৪০-সেঞ্জম খুনৌ (সীট নম্বর ৪) ওইনা লৈরবনি। মতাং অসিদা অরিবা চে-চাং, রেকোর্দ, দোক্যুমেন্ট কয়া য়াওনা হৌজিক সিকোদা লৈরে। অদুবু য়াম্না অঙকপা অমনা য়াম্না কুইদ্রিবা ফুরুপ অমগী মীওই খরনা মফম অসিদা মতম খরগী মমাংদা হাইজিল্লক্লগা লম লৌবা, মূনবা, খোপচিনবা অমদি মখোয়গী ওইনবা তৌরক্লিবসি সিকোনা য়াবা ঙম্লোই। মসিদা সেঞ্জম চিরাংগী মীতৈগীদমক্তা সিকোনা লেপ্লি অমসুং অঙম্বা থাক্তা থেংনগনি। হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি হেন্না চাওথোক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্না সেঞ্জম চিরাং মীতৈগীদমক্তা খল্লগা তুং কোয়বা ৱারোইশিন অমা পুরকপীয়ু। মতাং অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট, লো দিপার্ট-মেন্টনা ফোঙবা মণিপুর কোদ পার্ট-২ দা অসুম্না ইরি মদুদি পার্ট-২ : লোজ মেদ ওর এক্সটেন্দেদ বাই দি অর্জহ্বাইল রুলরস ওফ মণিপুর ইনক্লুদিং দি দরবার ইন্টরিম কাউন্সিল এন্দ দি লেজিসলেটিব এসেম্বলি ষ্টিল ইনফোর্স মসিদা ইরিবা ৱারোল অসিগী মতুংইন্না হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্না অথুবা নুমিৎ খরনিদা হেন্না অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা ইপা-ইপূশিংদুনা থম্বীরল্লবা সেঞ্জম চিরাংগী খুলগী উয়োক মফমবু মাঙদনবা তুং কোয়না থম্বীগদবনি হায়রি।

# এম এস এস বি পি দব্লিয়ু এগী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর এস এস বি পেন্সনরস ৱেলফ্যের এসোসিএসন (এম এস এস বি পি দব্লিয়ু এ)গী কেলেন্দর ফোঙবগী থৌরম এসোসিএসন অসিগী ৱাঙ্খে কৈথেল অশাংবীদা লৈবা ওফিসতা ফোঙবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

এম এস এস বি পি দব্লিয়ু এগী সেক্রেটরি অথোকপম তোম্বনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর মীয়ামগীদমক্তা এস এস বিনা তৌরম্বা মখল কয়াগী ট্রেনিং অদুগী মনুংদগী পেন্সনর কাঙবুনা মতেং খরদং পীবা ঙম্নবগী পান্দমদা কেলেন্দর ফোঙজবনি। কেলেন্দর অসিদা য়াওরিবা ফোটোশিং অসিনা এস এস বিনা লৌখিবা থৌদাংশিং অদু মীয়ামদা ফোঙদোকচবনি। মহৌশাগী খলগী অহোংবা লাক্লিবা অসিগী খরদং কন্নবা ঙম্নবা উ থাবগী থৌরমদা সোসল ওর্গনাইজর, স্কুলশিং, ক্লবশিং অমদি খুঙ্গং কয়াগী মীওইশিংগা লোয়নদুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মীয়ামদা কান্নগদবা ফার্ষ্ট এইদ পীবগী ট্রেনিং অমসুং সেল্ফ দিফেন্সকী ট্রেনিং পীবা লোয়ননা মতম-মতমগী মোটিভেসনেল লেকচর তৌদুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনরি। লোনা পীরিবা কান্নবশিংগী মরমদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসুং তোল্ল-তারবশিংদা পীবা মতেং, শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপনচিংবা মখল-মখা কয়াগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎখিবা অদু কেলেন্দর অসিদা পুথোকচবনি।

এসোসিএসন অসিনা অনৌবা চহীনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা শেমগৎ-শাগৎপদা খুমাঙ চাউশিনবা লৈঙাক্লোয়শিং অমসুং ইমপ্লোয়ীশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

## দেসামগী ফাউন্দেসন দেদা খোংনাংথাবা এৱার্দ লাম্থোক্কনি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স এফ মণিপুর (দেসাম)গী মপোক কুমওনদা চহী খূদিংগী ওইনা থোইদোক-হেন্দোক্লা মথৌ মশক খঙবা, তাকপী তম্বীবগী লম্‌দা শীংথানিংঙাই ওইনা মথৌ পাঙথোকপা ওজাশিংদা অখন্নবা খূদোল তম্বা চীংঙু মাইচৌ খোংনাংথাবা খোঙা (এৱার্দ) পীননবগীদমক এৱার্দ কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌরে হায়রি। দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা লৈশাংথেম লময়ানবা মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এৱার্দ কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌরবা ওজাশিং অদুদি কুম্বী শন্থোং প্রাইমারি স্কুল কুম্বীগী হেদমাষ্টর ইন-চার্জ খাঙেম্বম ইন্দ্রকুমার, লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল হিজম সোবিতা অমসুং ওইনাম হায় স্কুলগী সাইন্স গ্রেজ্যুয়েট টিচর থিংবাইজম স্বরন কুমারনি। এৱার্দ অসি থা অসিগী ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা দেসামগী ১৬শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পীগদবনি হায়রি। দেসামগী মপোক কুমওন থৌরম অসি জেনিমসকী ওদিটোরিয়ম হোলদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কনি। লোয়ননা মপোক কুমওন থৌরম অসিগা মরী লৈননা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

## এম ও এনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): মণিপুর ওলেমপিক এদোসিএ-সনগী ইমর্জেন্সি মীটিং অমা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা এম ও এগী সেক্রেটরিগী ওফিসতা এম ও এগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডো. জি এ ইবোপিশকনা চ্যের লৌদুনা ওল মণিপুর ফূটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ওইরম্বা এল রঞ্জিৎ রোইনা হৌখিবা দিসেম্বর ৩০ দা মুম্বাইগী হোস্পিটাল অমদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মীফম অদুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী নাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনীখি অমসুং ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না এম ও এগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## য়ু এফ ওনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২: খৃষ্টগী কুমজা ২০১৮ না লাকপদা য়ুনিভর্সেল ফেমিলি ওর্গনাইজেসন সাউথ ইষ্ট এসিয়া নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া মণিপুরগী মায়কৈদগী মালেমগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। কুমজা ২০১৮ লাকপদা মালেমগী মীপূম খূদিং-মক্না ঐখোয় ইপা অমখক্কী মচানি হায়বা য়ুম্ফমদা অচেৎপা থাজবা থল্লদুনা মীওইবা খুন্নাইনা চাকথুং-ফিথুং মান্ননা, ৱাৎত-পাদনা, ঈং-তপ্পা, তাকথোক-তাকশিন তৌমিন্নদুনা হিংমিন্নবগী অহৌবা অনৌবা চহী ওইহনবীরসনু হায়না তাইবং মপূগী মফমদা থৌনীরক্লি। অমরোমদা, চীঙ্খৈ হুনখ্রে হায়না মিংথোনবা য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসননা লাইরিক অমা পুথোকখ্রে হায়না য়ু এফ ও এস ঈ এ এন ঈগী প্রসিদেন্ট ঙাসেপ্পম নিলাকান্ত খুমননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# থাবুম অমা চুপ্না চথুরকপা নুপীলান নীংশিং থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর নুপী মরূপনা থাবুম অমা চুপ্না চথুরকপা নুপীলান নীংশিং থৌরম হৌখিবা দিসেম্বর ৩১দা ককচীংগী লাইচিংখাদা লৈবা কৈন্যতোনগী শঙ্গায়দা ককচীং এরিয়া নুপী মরূপকা লোয়ননা লোয়শিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ওল মণিপুর নুপী মরূপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরমদুদা নুপী মরূপকী প্রসিদেন্ট এম শখি, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট ৱাই ইবেতোম্বী অমসুং নুপী মরূপকী হান্নগী প্রসিদেন্ট এস সোরোজিনীনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। ওল মণিপুর নুপী মরূপকী তোঙান-তোঙানবা এরিয়াশিংদা লৈরিবা নুপী ময়ামদা নুপীলানগী মরমদা মতমদুগী থৌনা ফরবী ইমাশিংনা লৌরম্বা থৌদাংবু শন্দোক্লা ফোঙদোকপগা ইরোয়ননা ঙসিগী মীরোলনা কথোকপগা লোয়ননা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লায়র-ইনাকখুনবা খায়বা খুন্নাই অসিবু কুপ্না নৈনবগী মথৌ তারক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

মতমদুগী নুপীলান অদু চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈরক্তবা, শুফম-নোম্ফম লৈরক্তবা, লৈঙাক্কী তমথীরবা মীওৎ-মীনৈগী মথক্তা হৌখিবা ঈহৌনি। ঙসিদি ঐখোয়গী মীহুৎ লৈঙাকচবা গভর্ণমেন্টকী মখাদা হিংলিবা অসিদা কদায় ফাওবা লায়রবা মীয়াম্না লায়না হিংবা ঙম্লবগে হায়বসি। লায়রবা মীয়াম্বু হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবগী পান্দমদদি তোঙান-তোঙানবা সোসল সিক্যুরিটি স্কিম ময়াম অমা গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লি। ময়াম অসিগী মরক্তা নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট, নেসনল ওল্ড এজ পেন্সন স্কিম, মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কিমনচিংবা ফজখ্রবা স্কিম ময়াম অমসুং মদুগী মথক্তা অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা থম্নবগী পান্দমদা অঙ্গনৱাদি অমদি মিদ দে মিলনচিংবা স্কিম পূম্নমকশিং অসি চপ চানা ফংফম থোকপা মীওইশিংনা ফংলিব্রা হায়বসিনি।

নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট অসিগী কান্নবা ফংবা মীওইশিংনা মসিগী মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা পীরকপা অফবা, অশেংবা ওইবা কার্দ অমত্তা মীয়ামদা পীথোক্ত্রি। মদুগী মহুৎতা পি দি এসকী পোৎলম য়েল্লিবা কাঙবূশিং অদুনা পীবা কার্দ শীজিন্নদুনা মানা-মানা থোকপা তৌনিংবা তৌদুনা চেঙ শুনা পীদবা, থা খূদিংগী লেপ্তুনা পীদবা, ফ্যের প্রাইস শোপ হাংবগী মহুৎতা শঙ্গোয় অমদা নৎত্রগা য়ুমদা নুমিৎ ৩/৪ য়েল্লগা তোকথোকপা অসিনচিংবা। এক্তৈনা পীরিবা খূদোংচাবশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঙসি ফাওবা চথুরি। অসিগুম্বশিং অসি নুপী ওইবী খূদিংমক্না খঙমিন্নবা মথৌ তারি।

নুপীদা চথুরিবা মীওৎ-মীনৈগী মতাংদসু মীফমশিংদা কুপ্না খন্নখি। হৌখিবা চহী ৭/৮ অসিদা চহী নৌরিবী নুপীশিং মরুওইনা ময়ূম-মকৈ পানদ্রিবী চহী ৩৫ অমদি ৩৬ ফাওবগী মনুংদা লৈরবী নুপীশিংনা থেংনরিবা মীওৎ-মীনৈ, মীশি-মীনা ময়াম অসিসু হন্থহন্নবগী পান্দমদা হন্দক্তা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ফার্ষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট হাংদোক্তুনা অদুগুল্লবা নুপীগী মায়োক্তা ক্রাইম তৌরিবা মরাল লৈরবা মীওই অহুম মতিক চাবা চৈরাক ফংহনখিবা অসিসু নুপী মরূপ্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। অসিগুম্বা ক্রাইমশিং অসি মপূং ওইনা খুঙ্গংগী লমদা থোক্কনবনা ইমা-ইবেল অমদি নুপী ওইবীশিংনা মোব জষ্টিশ থোকহন্দনা অসিগুম্বা কেসশিং মায়োক্লরকপা মতমদা মরী লৈনবশিংগী মফমদা চৎতুনা অথুবদা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবা হোৎনফম থোকই। তুং কোয়না অফবা খুন্নাই অমা ওইহনবদা মসিনা মতেং ওইগনি। মরী লৈনবা ওঠোরিটিনসু শক-মায় য়েংদনা, শেঞ্জা-থুমজা তৌবীদনা অথুবদা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক ফংহনবা অদুগা ভিক্টিম ওইরবশিংবু অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনমিন্নগদবনি। মরম অদুনা নুপী ওইবীশিংনা খুন্নাই অসিবু কুপ্না নৈনদুনা হীরম খূদিংমক্তা মমুৎ তানা খন্নমিন্নহৌবা মথৌ তাই হায়না থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

# আর্মিনা পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০২: বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদানদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩১ দা স্কুলগী মহৈ-রোয়শিংগী ওইবা পেন্টিং কম্পিটিসন অমা আর্মিনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ফাইন আর্টকী ফজবা কয়া অদু অঙাংশিংদা খঙহন্দুনা মখোয়গী মশাদা য়াওজরিবা হৈথোই-শিংথোইবা কয়া অদু মীমাংদা পুথোকপদা পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা পাঙথোকখিবনি। ভিলেজ মরিদগী লাকপা তোঙান-তোঙানবা চহী মতাংগী পূন্না অঙাং ৩৩ রোম্না থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

চহী ৮গী মখাদা লৈবা কেটগোরিদা লোয়োলা স্কুলগী জোসুৱা গাংমৈনা অহানবা অমসুং চহী ৮ দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা কেটগোরিদা স্কুল অসিমক্কী বেবী মরিংমৈনা অমসুং চহী ১৪ দগীনা ২০ ফাওবগী মরক্তা লৈবা অঙাংশিংগীনা লুংঙাইলু মরিংমৈনা ফার্ষ্ট তাখি। অসিগুম্বা পীক্লিবা অঙাংশিং অসিগী ৱাখল্লোনদগী পুথোরকপা আর্টকী ফজবশিং অদু মীয়ামদা উখোকপগী তাঞ্জা পীবীখিবগীদমক মফম অদুগী মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসকী তমেংলোং বট্টালিয়ননা পেট্রোল্লিং চথুবা মতমদা মমাং চহীগী দিসেম্বর ২০ দা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদর অমা নমদুনা শেল খায়বগী থৌওং চথুরিঙৈদা ফাখ্রে। মহাকপু মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথুবদা সেল্ফ ষ্টাইল কোর্পোরেল রিংথোকাং অপোকপা গিরাং কৌবা ভালোক-২ দা লৈবা এন এস সী এন (আই-এম)গী কাদরনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মহাক্না হায়দোরকপদগী জেনেসিস মাও কৌবা সেনাপটিদা লৈবা এন এস সী এনগী কাদর অসি অসাম রাইফলসকী পার্টিদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা চেন্নে হায়বা খঙবা ঙম্লে। মতুংদা ফারবা এন এস সী এনগী কাদর অদু ফাগৎলকপা পোৎলম কয়াগা লোয়ননা শীন্নখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা হায়রি।